**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 18-06-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) ২৪ শুবা দ গ্রেট জ্ন অপরাইজিং-য়ুনিতি ডেগী থৌরমদা মণিপুরগী অপুনবগী শক্তম ঙাকবা হোৎনবদা থৱায় কৎখ্রবশিংগী মফমদা মীয়ামা ইকায় খুমবা উৎখ্রে।

২) মণিপুরদা কোভিদ নাইন্তিগী এক্তিভ কেস পুন্না ৩৫ শুরে, ঙসি মীওই অহুম কোভিদ পোজিতিভ ওইবা থেংনখি।

৩) রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা সভাপতি ওইদুনা মহাক্কী গভর্নর ইন কাউন্সিলগী মীফম ঙসি পাঙথোকখ্রে।

৪) লৈবাক শিনবা থুংনা চত্থরিবা ধরতি অবা অভিয়ান কেম্পেইন রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা ঙসি পাঙথোকখি।

অমসুং

৫) য়ুনিফাইদ পেন্সন স্কিমনা কোনশিনবা কেন্দ্র সরকারগী কর্ম্মচারিশিংনা রিটয়ার্দমেন্ট অমসুং দেথ গ্রেতুইতিগী খুদোংচাবা ফংলগনি।

------

জ্ন ১৮(এল) ঃ ২৪ শুবা দ গ্রেট জ্ন অপ্রাইজিং, য়ুনিতি ডেগী ওবজারভেসন কমিতিগী চেয়ারমেন-ফৈরোইজম নন্দো লুৱাংনা হায়রি-মণিপুরদা খুন্দারিবা ফুরুপশিং অসি য়ামা লেম্বা অমদি পুকচেল চাউবা ফুরুপ-

কাংলুপশিংগী মনুংদা অমনি হায়বসি মালেমগী পুৱারীদা ময়েক লানা ইদুনা লৈরি। মসিদসু নত্তনা লমদম অসিদা লৈরিবা মীওইশিং অসি মশানা মশাবু ইকায় খুমজবা অমদি চাউথোকচবা কাংলুপ অমনি।

২৪ শুবা দ গ্রেট জ়ন অপ্রাইজিং, য়ুনিতি ডেগী থৌরম ঙসি তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোকখি।

মপুং ওইবা থৌরম ইম্ফালগী কেক্রুপাৎতা লৈবা লৈখিদ্রবা অথৌবশিংগী খুভমদা ওল মনিপুর য়ুনাইটেদ ক্লব ওর্গনাইজেসন (অমুকো) অমসুং য়ুনাইটেদ কমিতি মনিপুর (য়ু.সি.এম) না পুন্না খুৎশমরগা পাঙথোকখি। মীয়ামনা লৈখিদ্রবশিংগী মফমদা লৈ-শু কৎপা অমদি মীফম পাঙথোকপনা থৌরম অসিগী মপুং ওইবা শক্তম ওইখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী নন্দো লুৱাংনা মখা তানা হায়- কুমজা ২০০১ গী জ়ন ১৮ দা মনিপুরগী অপুনবা শক্তম অমদি ঙমখৈ কায়হনবা য়ারোই হায়না হৌরকখিবা মীয়ামগী ইহৌদা লৈখিদ্রবা অথৌবা-অথৌবীশিং অদুবু নীংশিংদুনা কুমশি চহিগী ওইনসু পালন থৌরম অসি পাঙথোকপনি। মহাকা হায়- লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মীতোপ মীয়ানচাশিংনা চংশিল্লক্কুনা খুন্দাশিল্লকপগী সমস্য কয়া থেংনরি। মণিপুরগী ওইনদি খ্বাইদগী চাউবা সমস্য অসি ম্যান্মারদগী চংশিল্লক্লিবা মীতোপশিং অসিনা ওইরি। অসিগুম্বা কয়া অসি খঙদোক্কুনা মণিপুরদা ওইরিবা তংদু লৈতাদবা ফিভম অসি লোইশিন্নবগীদমক হন্না হন্না লাউদুনা লাক্লি।

নীংশিংবা য়াই, কুমজা ২০০১ গী জ়ন ১৪ দা ভারত সরকার অমসুং এন.এস.সি.এন (আই.এম) অনিগী মরক্তা সহি তৌনখিবা বেস্কোক দিক্লারেসনবু য়ানিদংবা ফোংদোক্কুনা মীয়ামনা খোঙজং চংশিনখি। থা অদুম্মক্কী জ়ন ১৮ দা মনিপুরগী অপুনবা শক্তম অমদি ঙমখৈ কায়হনবা য়ারোই হায়না খোল্লাউ লাউদুনা হৌরকখিবা মীয়ামগী ইহৌদা মীওই ১৮ লৈখিদবনি।

নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা ভোলুন্তরি ব্লড দোনেসন কেম্প অমসু ঙসি এসোসিয়েসন ওফ ব্লড দোনরস অমদি পার্সনেলিতি এন্দ টেলেন্ট দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন্না পুন্না শিন্দুনা পাঙথোকখি। বাবিনা ব্লড সেন্টর-খাবৈশোইদা

পাঙথোকখিবা কেম্প অসি জন্ ১৮ দা থব্রায়না পোন্থা পীখ্রবা অথৌবশিংদা ইকায় খুমবা উৎপা ওইনা পাঙথোকপনি । থৌরম অদুদা ভোলুন্তিয়ারশিংনা ঈ পীখিবতা নত্তনা মীৎ অমসুং ওর্গান দোনেসনসু তৌখি হায়রি।

কোবিদ (এল)ঃ মণিপুরদা ঙসি মীওই ৩ নৌনা কোভিদ নাইন্তিন পোজিতিভ ওইবা থেংনরে। মসি থারগা হৌজিক ফাওবদা পুন্না এক্তিব কেস ৩৫ শুরে।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাদা মীওই ৯ টেষ্ট তৌবদা মীওই ১ পোজিটিব ওইদুনা জিলা অসিগী অপুনবা পোজিটিব ওইবা মশিং ২৩ শুরে। ইম্ফাল ইষ্ট জিলাদনা ঙসিগী ওইনা মীওই তরুক টেষ্ট তৌবদা মীওই ১ পোজিটিব ওইরে। মসি থারগা জিলা অসিগী পোজিটিব অপুনবা মশিং ৭ শুরে। ইনৌ নৌবা ওইনা তেংনৌপল জিলাদা মীওই অমসু ঙসি পোজিতিভ ওইবা থেংনরে।

ঙসিসু হোম আইসোলেসনদা লৈবা মীওই অমা ফগৎলকখ্রে। হৌজিক মীওই ৩৪ হোম আইসোলেসন তৌদুনা লৈরি।

অমরোমদা, মণিপুরদা কোবিদ নাইন্তিন পোজিটিব ওইবগী চাং হেনগৎলক্লিবা অসিগী য়েংলগা রাজ্যগী হকশেল বিভাগনা কোবিদ নাইন্তিনদগী ঙাকথোকবা তৌগদবা অমসুং তৌরোইদবশিং য়াওবা এদভাইজরি অমা থোকখ্রে।

মীয়ামনা ঙাকা চৎকদবশিংগী মনুংদা-মাক্স উপ্পা, সোসিএল দিসটেন্সিং থম্বা অমসুং খুৎ-শা হাম্বনচিংবা য়াওরি। মসিগী মথক্তা কনাগুম্বশিংনা হাকথি খল্লকপদা রুমাল নৎত্রগা তিশু পেপরনা নাতোন অমদি চিন খুমজিনগদবনি। কোবিদ নাইন্তিননা নাবগী লায়ওং উৎল্লকপা মীওইশিং তোঙাননা থম্বগা লোয়ননা য়ারিবমখৈ থুনা মরী লৈনবশিংদা পাড পীবা অমদি টেষ্ট তৌবগী থবক চথুগদবনি হায়রি।

মীয়ামনা তৌরোইদবশিংগী মনুংদা-মীয়াম তিনবা মফমদা তিন শিৎতোকপা তৌরোইদবনি, খুৎ-শা শেংনা হামদনা মিৎ-নাতোন অমদি চিনদা থেংলোইদবনি, মীয়াম তিনবা মফমশিংদা খুৎ-শা শোকরোইদবনি অমদি শ্বর হোনবা ৱাবগী লায়ওং উৎলকপা মীওইশিংনা মীয়াম তিনবা মফমদা

চংলোইদবনি হায়বনচিংবা য়াওরি। কোবিদ নাইন্তিনগা মরী লৈননা মীয়ামগী হকশেলগীদমক হায়বা মেদিকেল হেল্প লাইন অমসু হাংদোক্লে। মসিগী টোল ফ্রি নম্বরনা-১০৪ নি হায়রি।

ভল্লা (এল)ঃ রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা সভাপতি ওইদুনা মহাক্কী গভর্নর ইন কাউন্সিলগী মীফম ঙসি পাঙথোকখ্রে । রাজ ভবনগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা চীফ সেক্রেটরি অমদি মখোয়গী প্রিন্সিপাল সেক্রেতরিশিং, কম্মিসনার অমসুং তোঙান তোঙানবা বিভাগকী এদমিনিষ্ট্রেতিভ সেক্রেটরিশিংসু শরুক য়াখি। মীফম অদুদা সরকারনা পীরিবা খুদোংচাবশিং মীয়ামদা হেন্না নিংথিনা ফংহন্নবগী মতাংদা খন্নখি।

ধরতি (এল)ঃ ট্রাইবেল এফিয়ার্স মন্ত্রালয়গী মখাদা লৈবাক শিনবা থুংনা চথরিবা ধরতি অবা অভিয়ান কেম্পেইন রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা ঙসি পাঙথোকখি।

কেম্পেন অসি ঙসি তমেংলোং জিলাদা পাঙথোকখি। থা অসিগী ৩০ ফাওবা চথগদবা কেম্পেইন অসিদা জিলা অসিদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংগী মখাদা পীবা কান্নবশিং মীয়ামদা খঙহনবনি।

তমেংলোং জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না শিন্দুনা জিলা অসিগী দ্যুইগাইলোং কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা পি.এ্রচ.ই. বিভাগ, লৌউ শিংঙউ লোইশঙ, ফিসরি, ফোরেষ্ট, সোসিএল ৱেলফিয়ার বিভাগনচিংবগী স্তোলশিং হাংদুনা সরকারনা পায়খৎপা স্কিমগী মতাংদা মীয়ামদা খঙহনখি। থৌরম অদুদা তমেংলোংগী এস.দি.ও, ওতোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী চীফ একজিক্যুতিভ ওফিসার অমদি তমেংলোংগী সব-দিপ্যুতি কল্লেক্তর য়াওনা তোঙান তোঙানবা মীওইশিং শরুক য়াখি।

কাংপোকপী জিলাদসু কেম্পেন অসিগী মনুং চন্না থৌরম পাঙথোকখি। জিলা অসিগী চম্ফাই সবদিভিজন মনুং চন্না লৈবা কৈথেলমানবী মিলিটরি কোলোনি কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা সরকারনা

পায়খৎলিবা তোঙান তোঙানবা স্কিমশিংগী মতাংদা মীয়ামদা খঙহন্‌খিবগা লোয়ননা কান্নবা কয়াসু পীখি।

ফেরজোল জিলাদা পাঙথোকখিবা কেম্পেন অসিগী মরিসুবা নুমিৎকী থৌরমদা ত্রাইব অমদি দোমিসাইল সার্তিফিকেটশিং, বেঙ্কিং সার্ভিসশিংগী মতাংদা, আধার শেমদোকপগী মতাংদা, এফিদেভিৎগী মতাংদা, এল.পি.জি কন্নেক্সন অমদি পি.এম. কিসান এনরোলমেন্টকী মতাংদা মীয়ামদা কান্নবা ফংহন্‌খি। দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ফেরজোলনা শিন্দুনা স্বাংসং, পারবুং অমদি পৎপুইমুন ভিলেজশিংদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ইমুং লিশিং ৪ হেনবদা কান্নবা পীখি।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন চ্‌রাচান্দপুরনা শিন্দুনা ঙসি চুরাচান্দপুর জিলাদসু কেম্পেন অসি পাঙথোকখি। ঙসি পাঙথোকখিবা কেম্পেন অদু এস.দি.ও চুরাচান্দপুরগী লমজিং মখাদা পাঙথোকখিবনি। ইনফোর্মেসন, ইজ্‌কেসন, কম্যুনিকেসনগী মতাংদা সরকারনা পীরিবা কান্নবশিং অমদি তোঙান তোঙানবা স্কিমশিংগী কান্নবগী মতাংদা মীয়ামদা নিংথিনা খঙহন্‌খি।

চান্দেল (এল)ঃ দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি চান্দেলনা শিন্দুনা এনেমিয়া মুক্ত ভারত (এ.এম.বি)গী মতাংদা ঙসি নোংমগী ওইবা ব্লোক লেবেল ত্রেনিং কম ওরিয়েন্তেসন প্রোগ্রাম অমা জিলা অসিগী কোমলাথাবীদা লৈবা লিৱা চংনিং গভর্নমেন্ট হাইস্কুলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা এ.এম.বিগী দিষ্ট্রিক্ট নোদেল ওফিসার ডাঃ টি.ঐচ. নোরেন সিংহনা লৈবাক অসিদা এনেমিয়া নাবগী চাং করমা হন্থহনগনি হায়বগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোংদোকখি। মসিদসু নত্তনা ইনখৎলক্লিবা নহাশিং, অঙাংশিং, নুপীশিং অমদি মীরোল্লবা নুপীশিংদা লায়না অসিনা ওইহল্লকপা য়াবা অমদি হেন্না খুদোংথিবশিংগী মতাংদসু ফোংদোকখি।

ভিজিৎ (এল)ঃ মণিপুর হাই কোর্টকী চীফ জষ্টিস, জষ্টিস কে. সোমাসেকরনা ঙসি কাংপোকপী জিলাদা হাংবা মান্দপ রিলিফ কেম্পতা চত্তুনা মফম অদুদা লৈরিবা মীওইশিংগা উন্নখ্রে। মসলসাগী মেম্বর সেক্রেতরি জষ্টিস এলেক মুইভা

য়াওনা চৎখিবা য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা মীয়ামদা আইনগী মতাংদা খঙহনখি। খোঙচৎ অদুগা মরী লৈননা ৱা ঙাংবদা জষ্টিস কে. সোমাসেকরনা হায়- শোত্থহৌরবা মীয়ামগী হক্কীদমক জ্‌দিসিয়ারিনা অঙন্বা থাক্তা মতেং পাংনবগীদমক মতম পুমমক্তা হোৎনরি। সরকারগী লৈরিবা তোঙান তোঙানবা বোদিশিং, শান্তি পুরকবগীদমক হোৎনরিবা ওর্গনাইজেসনশিং অমদি অতৈ ভোলুন্তিয়ারশিংবু থাগৎপা ফোংদোক্লদুনা মহাকা হায়- অৱা অনা তারবা মীওইশিংগীদমক লেপ্পা লৈতনা মতেং পাংননবগীদমক থোরক্লিবশিং য়ামা থাগৎনিঙাইনি। আইনগী মীৎয়েংদা মীওইবা পুমমক মচিল মনাউনি হায়বা অসিগী ৱাখল্লোনদা মীওই পুমমক্তা লেমা আইনগী খুদোংচাবা করমা ফংগদগে হায়বগী মতাংদসু মহাকা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীওইশিংদা খঙহনখি।

খোঙচৎ অদুদা রিলিফ কেম্প অদুদা লৈরিবা ইমুং ৩৮ দা নোংমদা চংদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখি। সেনাপতি অমদি কাংপোকপী বার এসোসিয়েসন্না জষ্টিস কে. সোমাসেকর অমদি খোঙচৎ অদুদা শরুক য়াখিবশিংবু তরামা ওকখি।

হোমগার্দ (এল)ঃ রাজ্য অমদি  য়ুনিয়ন তেরিতোরিশিংগী সরকারনা থবক লৌবা মতমদা হোম গার্দ অমদি সিভিল দিফেন্সকী ভোলুন্তিয়ারশিংবু লুমা লৌবগা লোয়ননা খুদোংচাবা পীনবা কেন্দ্র সরকারগী গৃহ মন্ত্রালয়গী ৱাফম থবক্তা ওন্থোকবা মণিপুর হোম গার্দ ইমপ্লোয়িজ ৱেলফ্যার এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট ৱাই. মঙ্গিনা মণিপুরগী চীফ সেক্রেটরি পি.কে. সিংহনা অইবা চেরোল অমা পীশিন্দুনা তকশিনখ্রে। চেরোল অদুগী মতুংইন্না গৃহ মন্ত্রালয়না ইং ১৯৮৩ দা রাজ্য অমদি য়ুনিয়ন তেরিতোরিশিংগী সরকারনা থবক লৌবা মতমদা হোম গার্দ অমদি সিভিল ভোলুন্তিয়ারশিংদা হেন্না খুদোংচাবা পীনবা খঙহনখি। অদুব্‌ হায়রিবা ৱাফম অসি থবক্তা ওন্থোরক্তবদগী ইং ২০২৩ দা অমুক হন্না অইবা চেরোল থারক্তুনা খঙহল্লক্লি। মন্ত্রালয়গী ফয়ার সার্ভিস, হোম গার্দ অমদি সিভিল দিফেন্সকী দাইরেক্তর জেনেরেলনা ইং ২০২৪ গী জ্‌লাই মরিদা রাজ্যগী চীফ সেক্রেতরিশিংদা সরকারগী থবক লৌবদা হোম গার্দ অমদি সিভিল দিফেন্স

ভোলুন্তিয়ারশিংদা খুদোংচাবা পীবদতা নত্তনা গ্রুপ সি অমদি গ্রুপ দি পোষ্টকী থবক লৌবগী চৎন কাংলোনশিং অসিসু শেমদোক শাদোকবা খঙহল্লকখিবনি হায়রি। মন্ত্রালয়না খঙহল্লকখিবগী মতুংইন্না মণিপুর সরকারগী হোম বিভাগনা ইং ২০২৪ গী জ্লাই ২৩ দা মরী লৈনবশিংদা হিরম অসিগী মতাংদা মখোয়গী ওইবা ৱাফম ফোংদোকবা খঙহল্লকখিবসু লৈখ্রে। অদুমওইনমক, ঙসি ফাওবা থবক্তা ওন্থোক্তনা লৈরিবা অসি লাইবক থিবনি। অথুবা মতমদা থবক্তা ওন্থোক্তুনা হিরম অসিগী মতাংদা অহেনবা মীৎয়েং চংবীয়ু হায়না চেরোল অসিদা চীফ সেক্রেতরিগী পুকিং চিংশিল্লি।

ব্লড (এল)ঃ মালেমগী ব্লড দোনর ডে নুমিৎকা মরী লৈননা ঙসি দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি তমেংলোংগী মীৎয়েং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল তমেংলোংনা শিন্দুনা জিলা অসিগী দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালদা ঈ দান তৌবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

ব্লড কন্নেক্স অজ ওল সিয়ার এ ব্লদ দোনেসন সেফ এ লাইফ হায়বা হিরমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা তমেংলোংগী চীফ মেদিকেল ওফিসার ডাঃ জি. মজাচুংলু শরুক য়াখি।

পেন্সন ঃ য়ুনিফাইদ পেন্সন স্কিমনা কোনশিনবা কেন্দ্র সরকারগী কর্ম্মচারিশিংনা রিটয়ার্দমেন্ট অমসুং দেথ গ্রেতুইতিগী খুদোংচাবা ফংলগনি।

কেন্দ্রগী এন.দি.এ সরকারনা সাসন তৌরকপা চহি ১১ মপুং ফারকপগা মরী লৈননা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা ৱাফম অসি লাউথোক্লদুনা কেন্দ্রগী পার্সনেল, পাব্লিক গ্রিভান্সেস এন্দ পেন্সন্সকী রাজ্য মন্ত্রি ডাঃ জিতেন্দ্র সিংহনা হায়- কেন্দ্র সরকারগী কর্ম্মচারিশিংনা খুদোংচাবা অসি ফংহন্নবগীদমক মতম কুইনা দাবী তৌদুনা লাকখিবনি। ঙসি লাউথোক্লিবা অসিনা কেন্দ্র সরকারগী কর্ম্মচারিশিংদা সরকারনা ফংহনগনি হায়খিবা ৱাফম অদু থবক্তা ওন্থোক্লে। মসিনা কর্ম্মচারিশিংদা খুদোংচাবা কয়া ফংহনবতা নত্তনা মখোয়না সরকারগী থবক থৌরমশিংদা হেন্না থৱায় য়াওনা থবক তৌবা ঙমহল্লগনি। মহাকা হায়-

হৌজিক হাংদুনা লৈরিবা ফম কয়া মেনশিন্নবগীদমক সরকারনা লেপ্পা লৈতনা হোৎনদুনা লাক্লি। প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী লমজিং মখাদা হৌখিবা চহি ১১ অসিদা লৈঙাক সাসনদা অহোংবা অমা পুরকবা হোৎনরকখিবা অদু ঙসিদি মীয়ামদা নিংথিনা উহনবা ঙমলে। মসিনা মীয়ামগী হিংবগী লম্বী হেন্না লাইথোকহল্লগনি হায়রি।

ভিক্সিত ঃ  লৈবাক শিনবা থুংনা চথরিবা কৃশি কংকল্প অভিয়ান কেম্পেনদা লৈবাক অসিগী খুঙ্গং কোতি ১ লাখ ৪৩ গী পুন্না লৌমী কোতি ১৩ দা লাখ ৪০ কোনশিনবা ঙমলে।

নিউ দিল্লিদা পাউমীশিংদা ৱাফম অসি ফোংদোক্লদুনা কেন্দ্রগী লৌউ শিংউ মন্ত্রি শিবরাজ সিংহ চৌহান্না হায়- লৈবাক অসিগী লৌমীশিংগী ফিভম হেন্না ফগৎহনবগা লোয়ননা লৈবাক অসিবু পোত্থোক চাথোক হেন্না পুথোকবা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী মীৎয়েং অদু ঙসিদি থবক্তা ওন্থোকপা ঙমলে। কেম্পেন অসিগী মখাদা লৌমীশিংগীদমক তোঙান তোঙানবা থবক থৌরম কয়া পাঙথোকপা ঙমলে। কেম্পেন অসি ত্রাইবেলশিংনা নমা খুন্দাবা জিলাশিংদা অহেনবা মীৎয়েং থমদুনা পাঙথোক্লি। কেম্পেন অসিগী মরুওইবা পান্দমদি- লৌবুক্কা লেবোরেটরিগা হকথেংননা শমহনবা হায়বসিনি। কেম্পেন অসি চথরিঙৈ মনুংদা লৌমীশিংগী তোঙান তোঙানবা সমস্যশিং সরকারগা পুন্না তাথোক তাশিন তৌনবগা লোয়ননা লৌউ শিংউগী সেক্তরদা লৌমীশিংগী হৈ শিংবা কয়া অদুসু নিংথিনা উৎথোকপা ঙমলে। লৈবাক অসিগী লৌমীশিংগী ফিভম হেন্না ফগৎহন্নবগীদমক সরকারনা পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি হায়রদুনা শ্রী চৌহান্না হায়- সরকার অসিগী পান্দমদি লৌমীশিংবু শেন্থোক লৈহনবনি। হৌজিকসু মখা তানা কেম্পেন অসি চথখিগনি। লৌউ শিংউগা মরী লৈনবা ওফিসিয়েলশিংনা লৌমীশিংগা হকথেংননা ঈ-পাউ ফাওনহন্দুনা লৌবুকশিংদা থারিবা মহৈ মরোংশিং য়েংশিনবগী থবক চথখিগনি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ফুটবোল ঃ এ.এফ.সি অন্দর ত্বেন্তি থ্রি এসিয়ান কপ ২০২৬ ক্বালিফায়রগী শেম শাবা ওইনা ইন্তরনেসনেল ফ্রেন্দলি মেটচ অমা ভারতকী চহি ২৩ মখাগী নুপাগী টিম অমসুং তাজিকিস্তানগা ঙসি তুরসুনজোদাদা শান্নরগনি। মেটচ অসি ভারতকী মতম নুমিদাং পুং ৮ মখায় তাবা মতমদা হৌগনি। টিম অসিদা মণিপুরগী শান্নরোই মরি য়াওরি।

হোকিঃ নুপী অমসুং নুপাগী হোকি ইন্দিয়া মাস্তর কপ ২০২৫, ঙসিদগী চেন্নাইদা হৌখ্রে। তামিল নাদু হোকি য়ুনিটনা য়ুম্বু ওইদুনা নুমিৎ তরানি পাঙথোক্কদবা টুর্নামেন্ট অসিদা নুপাগী চহি ৪০ গী কাংলুপ অমসুং নুপীগী চহি ৩৫ মথক য়াওরি।

নুপাগী টিম ১২ অমসুং নুপাগী টিম ৮না টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ারি।

অমরোমদা, লাক্লিবা ইরাই নুমিৎতগী জর্মনিদা শন্নগদবা ফোর নেসন্স টুর্নামেন্টতা শরুক য়ানবা ভারতকী নুপাগী জ্‌নিয়ার হোকি টিম ভারত থাদোকখ্রে। টিম অসিদা মনিপুরগী তলেম প্রিয়োবরতা, থোকচোম কিংসন অমসুং থৌনাওজম ইঙালেম্বা লুৰাং য়াওরি।

------